# ইলেক্ট্রিসিটি দিপার্টমেন্ট মপু পান্দবা লোয়শঙ ওইরে

## মৈনা নোংমদা পুং ৩ / ৪ য়ৌদনা পীরগা খাজনা পুং ২৪ গী লৌরে

- *পৱার্স কঞ্জুমর এসোসিয়েসন*

*থৌদাং পাউমীদগী*

*ইম্ফাল, এপ্রিল ২৪ঃ* ওল মণিপুর পৱার কঞ্জুমর এসোসিয়েসননা শিন্দুনা মণিপুরদা থেংনরিবা মৈ (পাৱর) গী অৱাবা প্রোব্লেম কয়াগী মতাংদা খন্ন-নৈনবগী মীফম অমা ঙসি কুকি ইন ইম্ফালদা পাঙথোকখ্রে।

''কনভেন্সন ওন পৱার প্রোব্লেম ইন মণিপুর'' হায়বা থৌরম অসিদা রিটয়ার্দ দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন জদজ মণিপুর সি উপেন্দ্র অমসুং জে ই আর সি, মণিপুর অমদি মিজোরামগী এদভাইজরি কম্মিটি মেম্বর অমসুং ওল মণিপুর পাৱর কঞ্জুমর এসোসিয়েসনগী এদভাইজর ই দোলেন্দ্রনা মথংশিংনা চিফ গেষ্ট অমদি প্রসিদেন্ট ওইখি।

থৌরম অসিগী ৱাহৌদোক পীরদুনা কনভেন্সন অসি করিগীদমক পাঙথোক্লিবনো হায়বগী মতাংদা ওল মণিপুর পাৱর কঞ্জুমরস এসোসিয়েসনগী জেনরেল সেক্রেটরি কোম্হৌজম সনাতোম্বনা ফোঙদোকখিবদা মণিপুরদা নোংমদা পুং ৩ / ৪ খক মৈ পীরগা দিপার্টমেন্টনা পুং ২৪ মৈ পীবগী মওংদা খজনা খোম্হ্গী মওং লেপকদবনি। মণিপুরদা হৌজিক দিপার্টমেন্টনা পীরিবা মৈ অসিসু ভোল্টেজ শুদে। ভোল্টেজ শোনবনা ফেক্টরি, অমদি ইন্দষ্ট্রিজ চল্লায়বা ঙমদ্রে। পাৱর দিপার্টমেন্ট অসি মপুং পান্দবা মৈগী লোয়শঙ ওইরে। ত্রান্সফোর্মর য়াদ্রবসু কমপ্লেইন তৌবদা লৌবিদে। দিপার্টমেন্ট অমদি কঞ্জুমর অনিমক মুক্নদুনা লৈরি। কঞ্জুমরশিংনা মৈ নিংথিনা ফংদবদগী খজনা থিদবনি হায়রি। দিপার্টমেন্টনা অমুক কঞ্জুমরশিংনা খজনা মতমচানা থিদোক্তবগী মৈ নিংথিনা পীবা ঙমদবনি হায়রি। যুগ্নোন্নরিবা ষ্টেট কয়াদদি মৈ চাং নায়না নিংথিনা পীরি হায়খি।

রিসোর্চ পার্সন ওইনা ওল মণিপুর পাৱর কঞ্জুমরস এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট সনসম চাওবনা ''প্রজেন্ট পৱার সিনেরিও ইন মণিপুর'' হায়বা হিরমদা ৱা ঙাংখি।

মহাক্না হায়খিবদা কঞ্জুমরশিংনা জ্ঞান তাদবা অমদি মৈগী টেক্স থিদোক্তবদগী মীয়ামদা মৈ ফংহনবা ঙমদবনি হায়বদি লানগনি। কঞ্জুমর জ্ঞান তাদে হায়রিবা দিপার্টমেন্টকী অশোয়বা শুংলৈ লৈতবরা। কঞ্জুমর অমদি দিপার্টমেন্ট অনিমক হুন্নবা তোকসি।

খজনা য়াম্না তোনশিন্দ্রিঙৈদা কঞ্জুমরশিংনা খজনা নিংথিনা থিদোকহন্নবা হোৎনগদবনি। নোংমদা পুং ৩ / ৪ মৈ পীরগা ভি আই পি কয়াদা পুং ২৪ গী মৈ পীরিবগা মান্ননা বিল শারকপা থৌওং কয়া তৌরি। দিপার্টমেন্টনা থাগী বিল মতম চানা খঙহন্দবা অমদি মিটর রিদিং তৌদবা থৌওং কয়া তৌরি। চহি ১ গী বিল অমুক্তদা থাবা তৌরোয়দবনি। বিল ইন্সটোলমেন্টতা থিবা য়াহনগদবনি। দিপার্টমেন্টকী ষ্টাফকী অৱাবা লৈরগদি অসুক কুইনা ৱাৎনা করিগী দিপার্টমেন্ট চল্লায়রিবনো। হৌজিক কঞ্জুমরদা লুপা ক্রোড় ৩০০ রোম তোল্লি। থা খুদিংগী খোমগৎপা টেক্সতগী মৈ লৈবগী টেক্সনা য়াম্না হেল্লি হায়রি। লৈমখোং হেভি ফ্যুয়েল অসি কান্নদ্রবা ওইরবনিনা দিসমেন্টল তৌবনা ফরে।

মৈ নিংথিনা পীবা ঙমদ্রিঙৈদা প্রি-পেদ সিষ্টেম তৌরগা মণিপুর পুম্না মৈ নিংথিনা পীবা ঙম্লগদ্রা? প্রি-পেদকী থৌওং ইরোই লৈদ্রিঙৈদা হৌদোং হাৎপা তাগনি। বোমনা হৌরগা পোক্লাওবীনা লোয়বা তাগনি। মণিপুর অসি ইকোনোমিকেল্লি বেকৱার্দ ওইবা ষ্টেটনি। প্রি-পেদ সিষ্টেমনা লমদম অসিগী লায়রবা ইমুং কয়াদা অচৌবা চৈফু-চৈথেং পীগনি। দিপার্টমেন্টকী দিভিজন কয়াগী মরক্তা য়ুনিফোর্ম বিল্লিং রেট চৎনহনবা ঙমদ্রি। মৈগী ফিভম ফংত্রিঙৈদা প্রি-পেদ তৌবদা অচৌবা শেনফম চৎহনবা তোকসি। প্রি-পেদ অসি কয়া য়াম্না এক্যুরেসি লৈবগে। হাথু হাথু প্রি-পেদ তৌবগী মহুৎতা হান্না মৈ নিংথিনা ফংহন্নবা দিপার্টমেন্টনা হোৎনবীয়ু। দিপার্টমেন্টনা প্রি-পেদতা ঙাওদুনা লৈবগী থৌওং তোকপীয়ু।

য়াম্না ইনাকখুনবা ইন্দষ্ট্রিজ কয়া লৈবা ষ্টেটতা প্রি-পেদ সিষ্টেম য়াম্না কান্নে। অচৌবা ইন্দষ্ট্রিজ কয়ানা প্রি-পেদ তৌবা য়াই। অদুবু মণিপুরগদি চানবা ৱাৎকনি। লমদম অসিদা অচৌবা ইন্দষ্ট্রিজ লৈতে।

সনসম চাওবনা মখাতানা হায়খিবদা অনইন্টরপেটেদ পৱার সপ্লাই হায়না তোঙান্না থন্নগী মথৌ তাদে। মৈ নিংথিনা ফংহন্নবা দিপার্টমেন্টনা মোনিটরিং কম্মিটি দিষ্ট্রিক্ট খুদিংগী থমগদবনি।

দিপার্টমেন্টকী ওফিসার খুদিংমক মবুকচেল শেংহন্নিংই। কঞ্জুমরদগী নম্ফু-শাপুদা টেক্স খোমগৎপা তৌরোইদবনি।

টারাবু তিংলগদি মৈ পীবা পীদবা টেক্স পীগদবনি। নোংমদা পুং ২ / ৩ মৈ পীরগা পুং ২৪ গী ওইবা টেক্স লৌবা তোক্কদবনি। হেন্না অফবা টেক্নিকেল এক্সপার্ট থমদুনা দিপার্টমেন্ট অসি মুখৎলগা কোওপরাইজেসন তৌবনা হেন্না ফরগনি হায়খি।

রিছোর্স পার্সন ওইখিবা জে ই আর সি মণিপুর / মিজোরামগী এদভাইজরি কম্মিটি মেম্বর ওইরিবা সেনিয়ার জর্নেলিষ্ট ইরেংবম অরুন্ননা ফোংদোকখিবদা মণিপুরদা লৈরিবা মৈগী ফিভম অসি ''নম হোংবা, চৈ তাংবা'' হায়বা ফিভম অদুনি।

ভোল্টেজ শুনসু মৈ পীদবা, নোংমদা পুং ৩ / ৪ দগী হেন্না মৈ পীদবা ষ্টেটনি। অচৌবা ইন্দষ্ট্রিজ লৈতবা ষ্টেটনি। মৈগী মতেংনা ইন্দষ্ট্রিজ মচা-মচা তৌবা ষ্টেট অসিদা মৈ নিংথিনা ফংদবনা লমদম অসিগী শেল থুমগী ফিভম শোখনবা মচাক ওইহল্লে। প্রজানা মৈগী খজনা নিংথিনা থিহন্নিংদবা থৌওং অসি মতৌ করম্না কোকহন দুনা খজনা নিংথিনা থিহন্নবা থৌওং দিপার্টমেন্টনা পায়খৎকদবনি। রিছোর্স পার্সন ওইখিবা জে ই আর সি মণিপুর / মিজোরামগী এদভাইজরি কম্মিটি মেম্বর অমসুং ওল মণিপুর পাৱর কঞ্জুমর এসোসিয়েসনগী লিগেল এদভাইজর রাকেশ মৈহৌবমনা ''দি ইলেক্ট্রিসিটি এক্ট ২০০৩ এন্দ রোল ওফ দি জে ই আর সি, মণিপুর এন দ মিজোরাম'' হায়বা হিরমদা ৱা ঙাংখি। মহাক্না ফোঙদোকখিবদা মণিপুরদা কঞ্জুমর গ্রিভান্সেস ফোরম মথৌ নিংথিনা তৌদে। মৈগী মতাংদা কঞ্জুমর অমনা নিংথিনা কমপ্লেন তৌবগী চৎনবী লৈতে। জে ই আর সিগী এদভাইজরি কম্মিটি মেম্বর অমা ওইনা মণিপুরগী মৈগী মতাংদা ৱাফম কয়া পুখৎলবসু নিংথিনা খন্নবীদে। জে ই আর সি গী মথৌ নিংথিনা তৌবা ঙমদে। মমিংতগী ওইনা লৈরি।

ইলেক্ট্রিসিটি দিপার্টমেন্টনা মৈ নিংথিনা পীহন্নবা কঞ্জুমরশিংনা মতমচানা কমপ্লেইন তৌসি হায়না রাকেশ মৈহৌবমনা ফোঙদোকখি।

''পাৱার প্রোব্লেম ইন মণিপুর এন্দ রোল ওফ ইলেক্ট্রোনিক মেদিয়া টু ইম্প্রুভ দি পাৱার সেক্টর'' হায়বা হিরমদা আই এস টি ভিগী চিফ এদিটর রুপচন্দ্র যুম্নাম্না হায়খিবদা মৈ নিংথিনা ফংদ্রিবসি ফংহন্নবা পি আই এল কয়া থাঙ্গৎপা চংই। মরী লৈনবা ওঠোরিটিদা ৱাকৎসি।

মণিপুরদা লৈবা মৈনা মণিপুর পুম্না শীজিন্নবা কোন্ননবা হোৎনবা চংই। নিংথিনা দিপার্টমেন্টনা মেনেজমেন্ট তৌবা চংই। চিফ মিনিষ্টর ইবোবীনা পাৱর দিপার্টমেন্ট অসি প্রাইভেটোইজেসন তৌবা তারে হায়রকপদা দিপার্টমেন্টকী ষ্টাফ কয়ানা খুদক্তা য়ানিংদবগী প্রোটেষ্ট তৌরক্কনি।

দিপার্টমেন্টকী ওফিসিয়েলশিং মবুকচেল শেংবা চংই। মবুকচেল শেংদবা কয়া য়াওরি। মখোয়বু ফাগৎতুনা থবক্তগী থদৎকদবনি। মৈ হুরানবা কঞ্জুমরসু ফাগৎলু। মবুকচেল শেংদবা কঞ্জুমর লেম্না থারোইদবনি। ভি আই পি নি নত্রগা মিনিষ্টরনি হায়দুনা তোঙানবা ত্রান্সফোর্মর থমদুনা মৈ পীবনা অতোপ্পা কঞ্জুমর কয়াদা নুংঙাইতবা ৱাখল পোকহল্লি হায়খি।